# নাগাশিংগী তোপ তোপ্পা হিষ্ট্রি, আইদেন্টিটি অমসুং লমখৈ

ডা. থৌনাওজম রুহিচান্দ

**মণিপুরদা** খুন্দারিবা ফুরুপশিংবু নাগা অমদি কুকি হায়না কাঙলুপ অনী থোক্না খায়দোক্তুনা মণিপুর লৈঙাক্না শকখঙখিবসি করম্বা মতমদগীনো হায়বসি মীয়াম্না তশেংনা খঙলমগনি হায়না খল্লি। হায়রিবা তোঙান তোঙানবা ফুরুপশিং অসিনসু মখোয় মশা মশাদু নাগানি নৎত্রগা কুকিনি হায়বদা অদুম য়াজরবা জাৎলা? নাগাশিংগী তোপ তোপ্পা হিষ্ট্রি অমা শাগৎপদা য়েলহৌঙৈদগী পোইরৈ মৈত্রবাক অসিদা খুন্দারক্লবা চীংমী ফুরুপ কাঙলুপ কয়া অমা য়াওরিবসি করিগীদমক্তনো? আইমোল ফুরুপচা কয়া অমনা মখোয়দি নাগা ওনবা ঙমজরোই আইমোল ওইনা কোনশেং ওইনা সুম লৈজগে হায়না হায়জরিবসিনা করম তৌরিবনো ? নাগালেন্দ গভর্ণমেন্টকী ৱারেপ অমনা রোংমৈ কাংবুবু নাগা ওইনা শকখঙদ্রে হায়না লাউথোকখিবা অসিসু অঙকপা অমনি। নাগালেন্দনা নম হাদুনা চোইখোম খোমজিল্লুবা ফুরুপশিংগী মরক্তা হৌজিক ৱাখল্লোন তিন্নদবগী ৱাফম, ৱাথোক-লাম্থোক কয়া লেপ্তুনা থোরক্লিবা অসিনা করিগীনো? মণিপুরদা হান্না নাগা হায়বা ফুরুপ অমত্তা লৈরমদ্রগা হৌজিক্না কদাইদগী লাক্লগা করম্বা মতমদগী লমদমসিদা খুন্দাবা হৌরকখিবনো হায়বসি মণিপুরগী য়াম্না লিরবা পুৱারীদা য়াওরমগদ্রা নৎত্রগা য়াওরম্লোইদ্রা হায়বসিসু খঙদে। চহী য়াম্না য়ামদ্রবসু হৌখিবা চহী ১০০ রোমগী মমাঙদা নাগা তাবা লম হায়বা মেপকা অমত্তা লৈরম্বগী পাউসু তাদে। ‘কংলৈপাক্তা মরিং উদ্রে, মণিপুরদা খোঙজাই লৈত্রে, নাগা-কুকি লোয়না ওইরম্লে’ হায়বা ৱেষ্টর্ন দার্ককী ঈশৈদু হেক্তা নীংশিংলকই। বৃটিশ লাক্লিঙৈদা নাগা হায়বসিবু করম্না লৈরম্বা জাৎনো? তোঙানবা নাগাশিংগী ওইবা মনীং মখা তম্বা নিংথৌ পানবা লৈবাক অমা ওইনা লৈ-লাকঅম্ব্রা? ‘রোম সহর নোংমদা শেমখিবা নত্তে’, চাকচা মাঙদা শঙ্গোই অমা শাবা লোইথোকপদু নুংথিলদা নিংখাইরকই’ হায়বনচিংবা পাউরৌ কয়া অমসু লৈরিবসিনি।

নাগাগী লম পূম্নমক নাগা মীয়ামগীনি হায়রিবসিগা য়েংলুরবদি হায়রিবা লমখৈশিং অসি করম্বা মতমদগী লৈরকপা, কনানা ঙাক্লকখিবা অমদি কয়াম পাক চাওবা ঙমখৈনো হায়বসিগী হিষ্টোরিকেল রিফরেন্স অমুক থিবা তারিব্রা? মখোয়না টার্গেট তৌরিবা মীগী লমখৈশিং অদু য়ূমলোন্নরিবা ষ্টেটশিংনা পীরক্কদ্রা নৎত্রগা পীরক্লোইদ্রা খঙদবনিনা গ্রেটর নাগালেন্দগী মঙলান অমা শাগৎলিবসি মঙফাওনগদ্রা মঙফাওনরোইদ্রা হায়বসিসু তম্বা ঙমদ্রি। পূম্নমক ইন্দিয়া লৈঙাক্ন া লোয়না হেক্তা ঙম্বা নত্তে হায়বসিসু মীয়াম্না লোয়না খঙনরবা ঙাক্তনি। নম্ফুদা য়োংগী তনয়েনগা তৌরক্লবদি খঙদ্রে। মখোয়খক্তগী ওইবা তোঙানবা কন্সটিট্যুসন, পাসপোর্ট সিষ্টেম, ফিরাল, পার্লিয়ামেন্ট, জুদিসিয়ারি সিষ্টেমনচিংবা কয়া শোয়দনা পীরক্লগনি হায়না কন্না হরাউনরিবসি তশেংনা মদু পীরকপা নৎত্রগা পীরক্তবা হায়বসিদি মতমনা অদুম পুজরক্লগদবা পোৎনি। ‘মণিপুরগী ঙমখৈ কায়হন্দবা ঙল্লবদি মখোঙবু হান্বীগে’ হায়না হান্নগী চীফ মিনিষ্টরনা লাউথোকখিবা অদু মুন্না খল্লুরগদি কিবু কিশিল্লক্লেদা। শোয়দনা কায়রনি হায়বসি খঙবদগীরা নৎত্রগা অতোপ্পা করি খঙজবী লৈবদগী অসুম্না ফোঙদোক্লিবনো হায়বসি অচৌবা ৱাহং অমা শোয়দনা ওইরক্কনি হায়না খল্লি।

অৱাং নোংপোক লমদমগী মীয়াম অমদি নাগা মীয়াম নুংশি চান্ননা মতম শাংনা খুন্দা লৈতামীন্নরকপদু অমনা অমবু য়েংথিনহন্দুনা হাৎতোক্নহল্লিবা কয়াসি কনানা থোকহনবনো হায়বদু খ্বাই মীয়াম্না অদুম ইখঙ খঙনরবা ৱাফমনি। দিভাইদ এন্দ রুলগী লাংদা থুখ্রবা ঐখোয়গী লমদমসিদা খ্বাইদগী তমথিনীংঙাই ওইরল্লিবা ইথনিক নেসনেলিজম, ইথনিক লাইন্দা দিমান্দ তৌখৎনরকপা, দিভাইসিব পোলিসি মখল মথেলশিং অমদি ঐখোয়গী লৈজরিবা রিছোর্সশিং নমদুনা লৌথোক্লবা হোৎনরকপা অসি কনা-কনাগী খূৎশিল থৌরাংনো হায়বসিসু পূম্নমক্না খঙই। য়েক্লবগী মোইথেম লাংদা অমুক্তংবু থুখ্রবদি স্লো পোইজনীং তৌদুনা লোইশিনবদি শোয়ররোইদবনি। লিনসু শিনবা চৈশুসু তেক্তনবা হায়বা পোলিসি অসিদি লোয়না খঙনবা ঙাক্তনি।

মীতৈ ইপা-ইপুশিংনা চহীচা কয়া ঙাকচরকখিবা লমখৈ অসিবু মচেৎ-মচেৎ থুগাইদুনা গ্রেটর নাগালেন্দ অমদি কুকি ষ্টেট ওন্থোকপা হায়বসি মীতৈ নোংশাশিং লৈরিঙৈদবু ওইথোক্কদ্রা? হীরমসিদা নাগালেন্দনা অমদি মিজোরামনা ফনা শরৌ তৌরক্লবসু য়েক্লবগী মোইথেম লাংদা থুবিগদবা মীতৈ ফুরুপ নত্তে হায়নসু হায়রি। মীজোরামগা নাগালেন্দগা য়ূমলোন্নবা ষ্টেটশিং ওইরল্লবদি ৱাথোকসি অমুক্না হেন্না নুংঙাইরমগদবনি। ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টনা নাগাশিংগী পুৱারী, আইদেন্টিটি অমসুং ঙমখৈ শকখঙবিরে হায়না য়াম্না তোয়না পল্লিবসি হান্নদি খঙবিরমদব্রা হায়বসি মীয়াম্না শোয়দনা হংবা হৌরক্লবনি। হান্নসু খঙবিরমগনি হায়না নীংদে। অদুগা হৌজিকসু সুম খঙশিন্নবা শাবা ওইরমগনি হায়না খল্লি। অঙাং থেম্বগুম্না। নাগাশিংগী তোপ তোপ্পা হিষ্ট্রি লৈ হায়রগদি নাগা তাবা লৈবাক্তুদা পাল্লম্বা নিংথৌ নৎত্রগা ইম্পেরর খরগী মমিং তাকপা ঙমগদ্রা হায়না মমাঙদা লূপ খরনা হংখিবসু লৈখ্রে। কুমজা ১৮৯১গী এঙ্গলো-মণিপুর ৱারগী মতুং ফাওবদা বৃটিশ অসাম অমদি মণিপুরগী বাউন্দরি মরক্তা নাগালেন্দ হায়বা অমা লৈরমদে। নাগা কৌবা ফুরুপ অমতসু লৈরম্বগী ৱারী-লিখুন ফংদে। হৌজিক্কী নাগালেন্দদা লৈরিবা নাগানি হায়রিবা চীংমীশিং অসি য়াম্না থেংলবা মতম কুমজা ১৯৫৪ অদুৱাইফাওবদি মশানা নাগানি হায়না হায়জবফাওবা তৌরমদে হায়না স্কোলরশিংনা হায়রি।

নাগা লালহৌবশিংনা হুমদুনা পুরগা নাগা মীয়ামগী পূক্নিং ফাথনবা অসামগী নাগা হিলসকী চীংমীনা নম্না খুন্দাবা লম খরা পূনশিল্লগা ইন্দিয়াগী ১৬শুবা নাগালেন্দ কৌবা ষ্টেট অমা কুমজা ১৯৬৩গী দিসেম্বর ১৩দা লাউথোকখিবগী হিষ্ট্রি অদু ঙসি ফাওবা কনাসু কাউনরমখিরোই হায়না খল্লি। মতৌ অসুম্না অসামগী লুসাই হিলনা মিজোরাম অমদি খাসি হিলসনা মেঘালয়া ওইখিবগী ৱারীশিংসু লৈরি। মীতৈশিংনা ‘থিবোমৈ’ হায়রগা খঙনবা হৌজিক্না কোহিমা হায়না খঙনরবা মফমসিদা মীতৈ সিফাই থমম্বা মতমদুদা বৃটিশনা মফমদুদা লম মচেৎ অমত্তা পীবিয়ু হায়জরকপদা মীতৈ নিংথৌনা য়াখিদবগীমক নিংথৌবু অমুক্তা কোয়থোকপীরকউ হায়না লৌনম তৌদুনা কৌরগা হাৎকে তৌখিবা থৌদোকপু চন্দ্রকৃতি জিলা দরবার চৎপা হায়না ঙসি ফাওবা খঙনরি। নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়াদা নমদুনা/মশানা য়ানা মর্জর এগ্রীমেন্ট তৌনদুনা ইন্দিয়াদা তিনখিবা মনীং মখা তম্বা নিংথৌ পানবা লৈবাক্তি মণিপুরখক্তনি। অতৈ ষ্টেটশিংদি ইৱা ৱাদনা ইন্দিয়ানা লৌশিনখিবা ঙাক্তনি। সাউথ ইষ্ট এসিয়াদা মনীং মখা তম্না, খূৎকন-পাঙ্গলনা, মশাগী ইন্টরনেসনল বাউন্দরি লৈনা পীকচরবসু মতিক মঙাল লৈনা (মশাগী তোঙানবা লোন ময়েক, লাইনীং, নাৎ-চৎনবী, পুৱারী, লৈঙাকলোন, ফিজেৎ-চাকচা, মশান্না, শেন্মীৎলোন্নচিংবা চপ চানা লৈজবা) পাল্লম্বা ত্রিটি ওফ য়ান্দাবোনচিংবা কয়ানসু ইন্টরনেসনেল্লি রিকগনাইজ তৌবা নিংথৌ পানবা সনালৈবাক মণিপুরনি।

---

# লাই ওইবা ৱাঙ্খৈগী পন্থৌনা হিঙ্গৎহনবিরে

- মোইরাংথেম ওংবী মিনা লৈমা -

**মতমগী** য়াওল তাইবঙ মীওইবগীনা অকাউ পরৈ অনীগী মরক্তা শান্নুরবা মমিলক্তা ঙসি নৌহৌননা থরো লাইরেম্বী ইমা হায়না খুভম ওইনা শাফোংলরে/মীওইবা ওইনা তাইবঙদা পোকখিবা লাইরেম্বী ওইনা শাফোংবা ময়াবরা হায়রগসু খুভম ইমাগী মখা মোইরাং থাংজিং মায়কৈদা লৈরিবা অচৌবা ইকোমগী ইরোলনুংদগী ফাওগৎলক্তুনা লাইজ ঈশিংগী ঈমায়থক্তা ফুগায়না শাৎপা থরো অদু ইমা লাইরেম্বীনি খনবীদুনা ৱায়েৎপীগনু। তাইবঙ ওইনা পোকখিবা থরো ইমাগী খুভম অমসুং লাইরেম্বীগী মশক লৈরাং ওইনা ফুগায়না লৈশাৎ তমখিবা ইকোম অনী অসি নোংমাইজিং চীংমাঙগী চীংশাং পরেং অৱাং পাংনা হাইগৎলকপা মনিং থংবা নাপোম লমলক্কী শাশিংগী শাইদাংফম, পোম্বী চেক্লাশিংগী অহিং য়ারেকফম তোপ ময়ায় লৈকায়গী খুঞ্জাশিংগী শনচাপুং হৌখিবা কুমজা ২০১৭কী দিসেম্বর ৩, নোংমাইজিং, পোইনু থাগী থানিল নুমিৎতা অচৎপনা উখ্রে, অতাবনা খঙনখ্রে। থরো ইমাবু নীংশিংনা ইমা মহাক নুংশিবগী ইহুল ইথিলনা লমজিং ওই লেংবীরকখিবা তাইবঙ ওইবশিংগী থম্মোয় লৈরল্লিবা মহৌশা লাইরেম্বী ইমাগী খূৎশেমগী ফজবশিংনা থম্মোয়দা শুক্কৎখি।

মতম কুইনা ইমাগী মনাক নকপা খুঞ্জাশিংনা চিনথাং পাওথাং ওইবা ৱারী ওইনদা লৈরকখিবা শাফোংবা ঙমদনা লৈরকপা তাইবঙগী চিঙ্গাক লোইমোম ফৌকৌবা পোইনু থাগী থানিল নুমিৎতা লাই ওইবা ৱাঙ্খৈ পন্থৌনা তাইবঙ থৱায় হাপ্পগুম মীরেল চঙহনবীদুনা মীওইবগী থম্মোয়দা থরো ইমা লাইরেম্বী মহাকপু হিঙ্গৎহনবীরে। পেন্দবা য়ানীংদবা থম্মোয়দা করিগুম্বা মখলগী অমকপা লৈতনা খুউ লৈতানা থরো ইমা লাইরেম্বী মাগী তাইবঙনা খুরুমজবা হায়বসি তাইবঙ মহাক্তু মশা অমসুং লাইনীংবু মশক খঙলবনি। অনী অসিবু মশক খঙলবা তাইবঙ হকচাংগী থৱায় মীওইবা খুদিংনা হক্না লুনা নীংবগুম পোক্লফম লমদম ইমা লৈবাক অসিবু নীংলগদবনি শোল্লগদবনি। মীওইবগী ৱাখল অমসুং পূক্নিংনা ইমা লৈবাক অসিগী লাইনীংগী খুভমদা থাজদুনা খুরুমজবা হায়বসি লৈবাক অসিবু শোয়দনা নুংশিরবা, নীংজরবা অমসুং শোঞ্জরগদবা মহাক ওইরবনি। কল্লকপা মীহৌবা অপাম্বনা থুমহৎলবা তাইবঙগী থম্মোয়বু অসিগুম্বা থরো ইমা লাইরেম্বী মহাকপু শোঞ্জরগে লৈবাক লাইনীং নীংজরগে খলহনবীরিবা ৱাখল্লোনগী তুংনফম ওইরিবা লাই ওইবা পন্থৌ তাইবঙনা মিৎনা উবা লাইনি হায়রোইদৌবগী মরম করিদবু লৈরিদগে? মহৌশা লাইরেম্বী নুমিৎ, থা অমসুং অতিয়া মালেমগী খোঙচৎ মওং মতৌদা য়ূম্ফম ওইরগা লৈবাক লাইনীংগী লাইনীংবা কয়াশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী অহেনবা অথোইবা ওইরিবা ৱাঙ্খৈগী লাই ওইবা পন্থৌনি। লাইনীং ৱাখল্লোন্দা ৱাংবদগী ৱাংবা ইপা সোরারেলমক্কা পাঙ্খকনি। তাইবঙদা মীথোই মীহেনবনা থক্তা লৈবনি। অসুক হক্না মখঙলক্লবফাওবদা ৱাখল্লোন্দা সোরারেল ইপামক্কা ৱাংবা লাই ওইবা পন্থৌনা তাইবঙ ওইবা খুদিং অমমমতা ওইনা খঙলম্লোইদবগী মরম লৈতে। অসি য়ৌনা খন্থবা ঙমদবা খঙদবা তাইবঙনা লাই ওইবা পন্থৌদা পুকখা লিনখা থাবনি। লাই ওইবা ৱাঙ্খৈ পন্থৌ মাবু খঙদবদি তাইবঙ মাবু অমম্বদা চৎলিবা মহাকনি। অমম্বদা তাইবঙ কনানা কন্না চৎপা অমদি মঙম চৎপগে? লুরিবদি থাঙলিবা খোঙথাংদুনা কৈদৌনুংদা পুন্সিগী পন্থুং য়ৌঙমদনা হনখিগনি। তাইবঙদা ৱাহম্থোক লৈনা হিংলমগে হায়রবদি লৈবাক লাইনীং থম্মোয়দা চেৎনা থাজসি, নীংলসি শোল্লসি হায়বা পন্থৌগী য়াৱা ঐখোয় খ্বায়না ইনবা, খঙমিন্নবা অমদি য়ামিন্নবা তঙাইফদে।

লাই ওইবা পন্থৌগী ৱাখল্লোন ইপা ইপু ঐখোয়গী লাইনীংগী লিচৎ, ইনাৎ চৎনবী অমসুং য়ূম্বাল্লোনগী ৱাখল্লোবু তাশিন খোমজিঞ্জদুনা লৈবাক অসিদা হিংমিন্নরিবা লৈমিন্নরিবা মীওইবা তাইবঙ খুদিংদা লাইনীংগী হায়বদি অচুম্বা অশেংবা পাউতাকশিংগী খন্নফম নৈনফম চীংঙু লাইগী মশায়কোন্দা শেমগৎ শাগৎপা হায়বসি থরো লাইরেম্বী হায়না শাফোংলবী ইমাগী থৱায় হাপ্পীবা হিঙ্গৎহনবগা চপ মান্নরে। ঐখোয়গী লাইনীংগী অচুম্বা অশেংবা পাউতাকশিং অকাউ পরৈদা কিসিগুম কিশিল্লুরবা মাঙবগা পাঙ্খক ওইরুরবা কয়াশিং অদুবু নৌহৌনা নীংশিংহনবা লোয়ননা থম্মোয়বু খুদুম চনবা হায়বসি অচুম্বা মশক তাক্লবা হোৎনবা মখল অমনি। অচুম্বগী তুংনফম থরো লাইরেম্বী ইমাগী খুভম হিঙ্গৎনবা মীওইবগী পূক্নিং শুক্কৎনীংঙাই ওইবা মওংদা শেমগৎ শাগৎনবা লাই ওইবা পন্থৌগী হোৎনবা মালেম পূম্বনা য়ানরগদবা য়ানরবা অমনি। লৈশেমলোন লাইনীংগী লিচিংনা লৈবাক অসিগী ঐখোয় খ্বাই খুদিংবু অমত্তা ওইনা পুনগদবা অপূনবগী পাঙ্গল অমগী মঙলান অমা লাই ওইবা পন্থৌগী ৱাখল্লোন মসিদগী হেন্না লৈবাক অসিগীদমক্তদি অনী-মরি শুনা লৈত্রে হায়বদা থোয়দোক্না হেনমন্না ইবা হায়বা ওইরিরোইদ্রা খঙে। লৈবাক মীয়ামগীদমক্তদি পন্থৌনা থরো ইমাবু হিঙ্গৎহনবা হায়বসি লৈবাক লাইনীংদা অনৌবা মঙাল মশেক অমা শোয়দনা উরক্লবগী খোঙথাং অমনি। মসিদা ঐখোয় পূম্নমক্না অঙম্বা মতেং পাঙবা পন্থৌগী লাইনীংলোয়শিংদা পূক্নিং থৌগৎপীবা থৌনা হাপ্পীবা ইমা লৈবাক্কীদমক খনবীদুনা শৌগৎপীবা তঙাইফদে। নৈনজরিবা অসিগা মরী লৈননা পঞ্জনীংবদি মালেম ইমাগী তম্পাক্তা অমুক্তং পোক্লক্লবদি তাইবঙ ওইবা মহাক অদু কৈদৌনুংদা শিদবনি। ৱাফমসি তাইবঙগী মীৎনা উরিবা লেংলি পাল্লিবা খুদিংদা চন্নে। লৈরাংনা লৈমন চন্দুনা কেমখ্রবসু, তলা পামেলনা তুখ্রবসু অমদি মীওইবা তাইবঙনা পুন্সি চেঞ্জেল লোইদুনা পূম্নমক মতমগী য়াওন ইরোন্নুংদা লুপখ্রবা লৈশাৎ তল্লিঙৈ তলা পামেলনা মশা ফন্না হৌরিঙৈ পুন্সিনা লোমদ্রিঙৈদা তৌরম্বা খল্লম্বা অফবা ৱাখল অমদি ফত্তবা থবক থৌরমদি মালেমনা হেক লৈরিবমখৈ অদুমক লৈরগদবনি লৈহৌরগদবনি। লাই ওইবা ৱাঙ্খৈ পন্থৌনা পুথোকপীরিবা অমদি শাফোঙহনবীরিবা থরো লাইরেম্বী ইমাবু ইমা মানা পুন্সিদা থেংনবগী মীওইবদা কান্নবগী অফবা থবক থৌরম তৌরমখিবা কয়া খমথেংবা অৱাবগী চৈথেং ফংখিবা লৈরমখিবা লৈরল্লগদি ঙসি অফ-ফত্ত নৈনরক্লগনি। অকাউবা পরৈদা চল্লুরবা লৈশেম্লোন লাইনীংগা মরী লৈনবা অশেংবা **চিংঙু হারাবা** খুভম নীংশিংনরক্কদৌরিবা অসিনা ময়েক লারবা খুদম ওইরগনি। অসিগুম্বা তাইবঙগী থৱায় হকচাংদগী খায়নদুনা মতমগী য়াওন্দা কাউখ্রগসু হিংলিঙৈদা অফবা থবক তৌরম্বা মীওইশিংবু নুংশিবা থবক থৌরম কয়াবু অমুক নৌহৌনা নীংশিংহল্লি। লাইনীংগা মরী লৈনবা অহকপা খুভমশিং নীংশিংলক্তুনা থিগৎনরকই। অদুনা ঙসিগী তাইবঙ ওইবশিংদি হীরম অশোমদা করিগুম্বা মখলগী ৱাখল অমত্তা খন্থনবগী লৌশিং লৈতবদগী ওইরিবা লৈবাক অসিগী ফীভমনি ঐখোয় পূন্না খন্থমিন্নবা মথৌ তাই। লাই ওইবা পন্থৌগী মীনুংশিগী থম্মোয় লাইনীংগী ৱাখল্লোন পীবিগদৌরিবা ইথিল অদুবু তাইবঙনা খঙনবা পাউতাক ওইবা শন্দোকপা চৎনবী য়োকখৎপা ফিজেৎ, অরানবা থকসি-খাসি শেমদোকপনচিংবা হোৎনজরিবা অসিদা ঐখোয় খ্বাইনা শৌগৎপীদুনা তুংগীদমক অফবা খুন্নাই অমা খুদোল তম্বীরম্লসি।

---

# অমুবা কালিনা ইহৌরগনি মখোয়গী মমিংদি

## (2017 Natural Bodybuilding Hall of Shame)

-ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার মীতৈ-

*(হান্নগী মখা চত্থজরকপা...)*

**কুমজা ২০১৭কী** মখোয় ৯ ফাগৎতুনা Hall of Shame হায়বা মীংথোল পীখিবদি য়াম্না অচৌবা থৌদাং অমা আই এন বি এ পি এন বি এনা পাঙথোকই হায়না চাওথোকচৈ। অদুবু আই এন বি এ এসিয়াগী প্রসিদেন্ট অমা ওইনদি য়াম্না ইকায়বা ফাওজখি ইতোমতা মালেমগী মীয়াম মমাঙদা। অদুবু করিদি উপাই লৈগনি। য়াওদ্রিঙৈদা টেষ্টিং তৌবনি, ফারবদি Hall of Shame দা নখোয়গী নমিং মতম চুপ্পগী ওইনা ইদুনা লৈহৌগনি হায়না হায়না য়াওশিল্লুবনি অদুম ফারেদো। ফারবনিনা মখোয়গী মমিং মুৎপা নাইদনা লৈহৌরগনিদো। ঐহাক্না এসিয়ন অমা ওইরুবগী অদুক ইকায়জরুবগী ৱানি।

শান্নরোয়শিংনা য়াম্না মুন্না খঙজিনবীগদবা অমনা, আই এন বি এ পি এন বি এনা পাঙথোক্লিবা চহী খুদিংগী দব্লিয়ু এ দি এগী য়াম্না ষ্ট্রিক ওইবা রুলশিংগী মখাদা দ্রগ টেষ্টিং পাঙথোকই। দ্রগ টেষ্টিং তৌবসি শেল য়াম্না চঙই, এথেলেট অমা টেষ্ট তৌবদা 300 US$ চঙই (চাউরাক্না রুপিজ ১৮,০০০ মুক হায়বা তারে)। অদুনা শান্নরোয় খুদিংমক টেষ্ট তৌবদি ওইথোক্তে। মরম অদুনা টার্গেট টেষ্টিং হায়বদি দ্রগ চাবা অমদি চাদবা শান্নরোয়শিংগী মরক্তা লৈরিবা খেন্নবশিং অদুবু হেক য়েংবদা হেন্না খঙ থোইরবা মীওইশিং থমদুনা খনগৎলগা টেষ্ট তৌবদুনি। মসিদা আই এন বি এ পি এন বি এগা অতোপ্পা ফেদরেসনশিংগগী মরক্তা খেন্নবা খরদি লৈরি। আই এন বি এ পি এন বি এগী নেচরেল শোশিংদদি দ্রগ টেষ্ট তৌবগী মমিং মথা লৌখৎলিবশিংসি শান্নরোয় অমা হেক্তা ওইবা য়াই, হায়বদি মহাক টোপ ৩ নৎত্রগা ৫দা লৈগদবনি হায়বা করিসু লৈতে। টোপতা চঙদ্রবসু চাববু মাল্লবা, চিংনরবা শান্নরোয় অদু অদুম টেষ্ট তৌরনি, নুপী হায়বা লৈতে নুপা হায়বা লৈতে। অতোপ্পা ফেদরেসনশিংদনা অয়াম্বনা টোপ ৩দগী তৌনৈ টেষ্টিং তৌবা তারগদি। অদুনা টোপ চঙহৌদবা নৎত্রগা মশা কয়া য়ৌদবা কাঙবুদুদি অদুম ফ্রী ওইরে দ্রগ টেষ্টিংদগী।

আই এন বি এ পি এন বি এ Hall of Fame ফংলবা মীওইশিং অদুদি য়াম্না ইকায়খুম্নবী মীপূম খুদিংমক্না। অদুগী মথক্তা, মখোয়গী মমিং-মথা অমদি শক্তমবু আই এন বি এ পি এন বি এগী www.naturalbodybuilding.com দা য়াওরিবা নেচরেল বোদি বিল্ডিং Hall of Fame গী ৱেবসাইটতা আই এন বি এ পি এন বি এনা হেক মুৎত্রিফাওবা লৈহৌরগনি। মখোয়বু হৌজিক হৌজিক্কী মীওইশিংদা নত্তনা তুংদা হৌরক্কদৌরিবা মখোয় মখোয়গী চারৌ-শুরৌ, চাদা-নাওদা কয়ানা মখোয়বু নীংশিংবীরগনি, ইকায়খুম্নবীরগনি লাক্কদবা চহী কয়া কয়া। মতম চুপ্পগী ওইনা মখোয়গী মমীংদি ইদুনা, ঙান্দুনা, শোন্দুনা লৈহৌরগনি চহী কয়া কয়া। কয়াদা চাওথোকচগবা মখোয় মখোয়গী ইমুং-মনুং, মচা-মশু, মরুপ-মপাং অমদি খঙন-চান্নবশিংগী মফমদা।

অদুগা অমরোমদনা, আই এন বি এ পি এন বি এগী দব্লিয়ু এ দি এ দ্রগ টেষ্টিংদা ফারবা শান্নরোয়শিং অদুগী মমিং, মথা মহাক্কী শক্তমগা লোয়ননা আই এন বি এ পি এন বি এগী ৱেবসাইট- www.naturalbodybuilding গী Hall of Shame দা আই এন বি এ পি এন বি এনা হেক লৈরিবমখৈ অদুম ইদুনা লৈহৌরগনি মখোয়গী মীংচৎ থিরবা মমিং-মথা অমদি শক্তম কনানসু লৌথোকপা ঙমদনা। মখোয় মখোয়গী ইমুং-মনুং, মচা-মশু অমদি মরুপ মপাং কয়ানা অদুম উদুনা লৈহৌগদৌরিবনি। কয়াদা ইকায়নীংঙাই ওইবা শক্তমনো, খল্লুবদা ইকায়ববু ফাওই। করিগুম্বা অসিগুম্বা মুৎলরোইদবা অমুবনা তৈরবা, অমুবা কালিনা ইরবা, ইকায়নীংঙাই ওইরবা মীংথোল অসিবু ফংনীংদ্রবদি নেচরেল শোশিং অসিদা নমথাক তৌদুনা নেচরেল ওইনা শান্নজবা শান্নরোয়শিংগী ফংফম থোকপা চাকথুংবু মুনবিগে খনবীগনু, চঙবীরুনু, য়াওবীরুনু। নখোয় নখোয়গা চান্নজবা মফমদা চৎপীয়ু, য়াওবীয়ু। মদুনা নখোয়গীসু, ঐখোয়গীসু অনীমক্কী অফবা ওইগনি। নৎত্রবদি ঐখোয়বুসু য়ৈখাই-থিনগাইবীবা, থম্মোয় শোকহনবীবা অদুগা নখোয়সু দ্রগ টেষ্টিংদা ফদুনা করিসু তৌবা ঙমদা তুংদা য়াম্না পেন্দবা ওইরক্কনি হায়না থমজগে। নেচরেল ওইনা চৎপনা মফরে।

---

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## মীপান তাংদ্রবা ঐখোয় ৱারোই

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর*

**মণিপুরগুম্বা** শেন্থোক লৈজদবা মপানগী লমগা ফাওনবদা চীংমীগী খুন কয়া ফাওরগা চৎতবা য়ারক্তবা মীপান তাংদ্রবদি হিংনবগী লম্বী লৈতবা অসিদা ঐখোয়না শান্তি লৈনা তংদু লৈতানা হিংবা হায়বসি য়াম্না অৱাবগী মশকনি। মসিদা অনৌবা থৌশিল থৌরাংগী লম্বী অমফাওবা য়াৎতনা করি করম তৌরগা হিংবা ঙমগদগে? হিংবদা চঙগদবা পোৎলম খুদিং মপান্দগী চীংলোন মাপল লান্না লোইনা পুশিল্লকপা ঙাক্তনি। মসিদা চীংলোন মাপল অসি লানবদা চীংগী এন্টি সোসিএল এলিমেন্ট কয়া অমুক থাদোক, অমুক ফাজিন শান্নবা অসিদা লমদম অসি হায়নীংঙাই লৈতনা অৱাবা পীরিবা অসি ঐখোয়না খন্নবা মতম থেংমনখ্রে। মসিদা মণিপুর লৈঙাক্না ইস্যু অসি লোইশিনবা ঙমদবগী ফীভমদা লৈরে। মসিমক লায়না লৌবা চুমলরোই। মসিদা তৌবা য়াবা অনীখক নত্তনা অতৈ পাম্বে লৈরোই। অহানবদা মীপান তাংদনবা হোৎনবা, অদুগা লোয়ননা লো এন্দ ওর্দরগী ফীভম ফহনবা অসিনি। হায়ৱে অনী অসিদা লালহৌবা খূৎলায় পায়বা কয়াগী খদোংথিবশিং করম তৌরগা শান্তি লৈনা পোৎ চৈ পুথোক পুশিন য়াগনি খন্নবা মদুবু লাকশিনবা ঙল্লবদি পূম্নমক অফবা মায়ওন লাক্কনি। অদুদগী নোংমৈ মরাং কায়বা কয়ানসু মণিপুরগী পুকচাক লম্বী ওইরিবা লম্বী অসি নোংমৈনা ইতৎ তত্তনা অপনবা পীবা হায়বা অসি ধর্ম্মনসু য়ারোই। মসিদগী হেন্না য়ূমলোন্নবদা ওৎনবা খূৎলায় অমুক লৈররোই। অদুনা খূৎলায় মরাং কায়বা কাঙবুনসু মতুংদা তৌরোইদবনি। করিগুম্বা মথক্কী থবক অসি ঙমদ্রবা শুপ্নগী তঙাই ফদবা পুশিন্দবা য়াদবা খরগী ৱাফম তোঙান্না থম্বীরগা ঐখোয়গী ইশাগী অমদি ইরমদমগী মীওই খুদিং থবক্কী হৈনবী নিংথিনা থম্বীদুনা ঙম্মীবমখৈ ইশাগী শীজিন্নবা পোৎ খুদিং পুথোকচবা ঙল্লবদি অমদি মদুগী খুজিন থৌরাং লৈঙাক্না নিংথিনা থৌশিল থৌরাং কয়া শোয়ফদনা শেম্বীরবদি মীপান তাংবগী অৱাবা খরা শোয়দনা কোক্কনি। লমদম অসিগী মীয়াম ঐখোয় খুদিংনসু ঐখোয়না তৎতনা অৱাবা নংলিবসি মীপান তাংবননি। তাংসু তাংলিবনি অদুনদি তাংদনবা করম্বা থবক পায়খৎকনি হায়বসি মীওই খুদিং খন্থমিন্নবা মতম য়ৌরবনি। ঐখোয়না মীপান তাংদনবা হোৎনবা য়াবা হোৎনবা অদু ওইরবদি শোয়দনা মায় পাক্কনি। মসি খুদিং মীয়াম অমসুং লৈঙাক পূন্না খন্থবা চঙই। অদু নত্তনা মপানগী পোৎ খুদিংগী ঐখোয়না ঙাইদুনা লৈবনা মদুবু পুনশিল্লক্তবদা ঐখোয় অৱাবা মায়োক্লগনি। মণিপুরগী মনুংদা মতম চূপ্পগী ওইনা শঙহন্দুনা ঙাক্তা লৈহনবা য়াবা কয়া লৈরি অমসুং মদুগী ঈথৈ লৌখোংগী খুদোংচাবা কয়া লৈঙাক্না শেম্বীবা, ওর্গানিক ফার্মিং মপূং ফানা তৌবা, হেন্দলুমগী পোত্থোক কয়া মরাং কায়না পুথোকপীবা মদুগী রো মেটরিএল কয়া লৈঙাক্না অৱাৎপা লৈহন্দবা অমদি খূৎশা হৈবগী পোৎথোক কয়াসু পুথোক্লবা হোৎনবা পূম্নমক অসি মীপান তাংদনবা থেশিলনি। অসুম্না হোৎনদুনা মীপান তাংদ্রবা ঐখোয় ৱাররোই।

*অদোমগী - এম থম্বৌ, ককচং খুনৌ*

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৬৩

১। সনা কোনুংদা ‘তানয়ৈবা লোয়শঙ’ হায়বা অমা লৈরম্মী। মদু কুমজা ১৫৪দগী ২৬৪ ফাওবা পাল্লম্বা নিংথৌগী হাক্তক্তা লিংখৎলম্বনি। মদুগা মরী লৈননা মখাগী ৱাহং অনীসিগী পাউখুম পীয়ু।
(ক) হায়রিবা নিংথৌদু কনানো? (খ) পূং য়ৈনবা চৈ অদুগী মমিং করি কৌই?

২। ‘‘ঙসি নোংজুগী অমম্বা অহীংসিদা/লাকচরি ইবুংঙো নঙগী মায়কৈদা/নঙগী লাইশঙদি চেৎনা লোল্লম্লে।’’ পরেংশিংসি ‘সন্ধ্যাগী ঈশৈ’ কৌবা শৈরেং লাইরিক অমদগী লৌথোকপনি। কবিদুগী মমিং হায়য়ু।

৩। ‘‘ঐ...ঐ/য়ূমসিগী য়ূম্থুনি/লংফৈ হল্লকপনি।’’ ৱাহৈশিংসি কনানা হায়বনো? কবি নহাদুগী মমিং হায়য়ু।

৪। ‘‘য়ূম পাল্লে হায়বতং থোক্লে তৌবনি/...ঐ লৈদি লৈরোই।’’ ৱাহৈশিংসিনা এম কে বিনোদিনীগী ‘বড় সাহেব ওংবী সনাতোম্বী’ দগী লৌথোকপনি। কনানা হায়বনো?

৫। নিংঙোম্বম ইবোবীগী ‘কর্ণগী মমা অমসুং অরোইবা য়াহিপ’ পু ইংরাজিদা হন্দোকপদু কনানো? মমিং হায়য়ু।

**মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জান্যুৱারী ১৫, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।**